# অচল কুমার জোতিনা অনৌবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইনা থৌ পুবা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) :
ইলেক্সন কম্মিস্নর অচল কুমার জোতিনা ঙসি অনৌবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর (সী ঈ সী) ওইনা থৌ পুবা হৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জোতিবু নাসিম জাইদিগী মহুৎতা অনৌবা সী ঈ সী ওইনা খনখিবনি। কুমজা ১৯৭৫ বেটচকী ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্ভিস (আই এ এস) ওফিসর ওইরিবা জোতিনা কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারীদা মশাগী চহী ৬৫ শুদুনা থবক্তগী পোত্থারগদবা মরম্না থা ৬ খক সী ঈ সী ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৫ গী মে ৮ দা মেম্বর অহুম লৈবা ইলেক্সন কম্মিসনগী মেম্বর ওইখিবা জোতিনা মথং চহীগী জান্যুৱারী ১৭ ফাওবা ফম অসি পায়খিগনি। লৈবাক্কী ২১শুবা সী ঈ সী ওইরবা জোতিনা মমাঙদা গুজরাটকী ভিজিলেন্স কম্মিস্নর ওইরম্মী। নরেন্দ্র মোদিনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদসু মহাক্না গুজরাটকী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্মী।

জোতিনা সী ঈ সীগী ফম পায়রবা মতুংদা গুজরাট অমসুং হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিং কুপ্না য়েংশিনগদৌরি। ষ্টেট অনীমক্কী এসেমব্লিগী মতম কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারীদা লোইরগদবনা হায়রিবা মতম অসিগী মমাঙদা মীখল পাঙথোকপগী মথৌ তারগনি।

জাইদিনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা হাঙদুনা লৈহৌরিবা ফম মেনশিন্নবগী-দমক গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা ইলেক্সন কম্মিস্নর অমসু খল্লবা য়াই। হৌজিক-হৌজিক কম্মিসন অসিদা ওম প্রকাশ রাৱটমথন্তা মেম্বর ওইনা লৈরি।

অমরোমদা, রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লুপা ক্রোর ৩৫৫ খোমগৎখ্রগা লুপা ক্রোর ৫৭৩ হেন্না শীজিন্নখি।

এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)গী রিপোর্টপল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, টামিল নাদু অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা নেসনল অমসুং রিজনেল পার্টিশিংনা খোমগৎখিবা শেনফমগা মীখলদা শীজিন্নখিবা শেনফমগা চাওনা খেন্নবা লৈরে। মীখলগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তোঙান-তোঙানবা ছোর্সতগী লুপা ক্রোর ২৮৭.৮৯ খোমগৎখ্রগা মীখলদনা লুপা ক্রোর ১৮৮.১২ শীজিন্নখি। রিজনেল পার্টিশিংনা লুপা ক্রোর ৬৭.২২ খোমগৎলগা লুপা ক্রোর ২১৩.৯৭ শীজিন্নখি হায়রি।


নেসনল পার্টিশিংগী মনুংদা ফন্দ খ্বাইদগী য়াম্না খোমগৎখিবা পার্টিদি বি জে পিনা ওইখি। পার্টি অসিনা খোমগৎখিবা অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৩১.৭২ নি। ষ্টেট এসেমব্লি মঙাগী মীখলগা মরী লৈননা নেসনল পার্টি তরুক্না খোমগৎখিবা অপূনবা শেনফমগী চাদা ৪৫.৭৫ দি বি জে পিনা খোমগৎখি হায়না এ দি আরগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীখলদা পুন্না শীজিন্নখিবা লুপা ক্রোর ১১২.১৪গী মনুংদা লুপা ক্রোর ৮৪.৩৬ শীজিন্নখিবা বি জে পিনা সেন্ট্রেল লেবেলদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নখিবা পার্টি ওইখি।

ষ্টেট লেবেলগী ওইনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নখিবদি কেরলা (লুপা ক্রোর ১৪.১১) নি। ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামনা মথংশিৎনা লুপা ক্রোর ৫.৭০ অমসুং লুপা ক্রোর ৪.০৩ শীজিন্নদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈরি।

অনীশুবা শেল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নখিবা পার্টিনা কোংগ্রেসনি। লুপা ক্রোর ৪১.৪৯ শীজিন্নখিবা পার্টি অসিনা সেন্ট্রেল লেবেলদা অনীশুবা শেল খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা পার্টি ওইখি। রিজনেল পার্টিশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩৫.৬৬ খোমগৎখিবা এস পিনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না খোমগৎপা পার্টি ওইখি হায়রি।

# রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি মেঘলায়াদা প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট খোন্বা লাক্কদৌরি





শিল্লোং, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) :
নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ)গী প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইরিবা রাম নাথ কোবিন্দনা হয়েং কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা মেঘলায়াদা লাক্তুনা মীখলগী ভোট খোমগদৌরি।

লেজিসলেটর মরি লৈবা ওপোজিসন হিল ষ্টেট দেমোক্রেটিক পিপলস পার্টি (ঐচ এস পি দি পি)না প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ভোট থাধবা য়াওদনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

ঐচ এস পি দি পিগী লুচিংবা আর্দেন্ট মিল্লর বসাইয়ামোটনা হায়খি, এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা মাইনোরিটিগী মায়োক্তা লৌখিবা ফিরেপপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ভোট থাধবা য়াওররোই। শাংলবা চহী কয়া লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রকখিবা কোংগ্রেসনসু মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিদবা মরম্না মৈরা কুমারদসু ভোট পীদনবা ফিরেপ লৌরে।

বি জে পিনা লুচিংবা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লাইন্সকী মরুওইবা মপাং অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক পার্টি (য়ু দি পি)না মৈরা কুমারদা শৌগৎলগনি হায়না কোংগ্রেসনা ক্লেম তৌখিবা মরম্না কোবিন্দগী মেঘলায়া খোঙচৎ অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা ওপোজিসন লীদরসু ওইরিবা য়ু দি পিগী প্রসিদেন্ট দোনকুপার রোইনদি কোংগ্রেসকী মীরেপ্তা ভোট পীবগী ৱাফম লৈতে হায়না শেংদোরকখি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা থাদোরক্লিবা কোবিন্দনা হয়েং রি-ভোই দিষ্ট্রিক্টকী উমিয়ামদা লৈবা ওর্কিদ লেক রিজোর্টতা মেঘলায়াগী লেজিসলেটরশিংনা ৱা ঙাঙগদৌরি। মেম্বর ৬০ লৈবা হাউসতা মেম্বর ২ লৈরিবা ওপোজিসন নেসনল পিপলস পার্টিনা কোবিন্দদা শৌগৎলগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন সিষ্টেমগী মখাদা লেজিসলেটর ৬০ লৈবা মেঘলায়া এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৩ (লোক সভাগী মেম্বর ২ অমসুং রাজ্য সভাগী ১)গী অপূনবা ভোটকী ভেল্যু ৩,১৪৪ নি। লেজিসলেটর ৬০গী ভোটকী ভেল্যুনা ১,০২০ নি। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৩ - কোনরেদ সংমা (এন পি পি), বিলসেন্ট পালা (কোংগ্রেস) অমসুং ৱানসুক সিয়ম (কোংগ্রেস)গী ভোটকী ভেল্যুনা ২,১২৪ নি। মীশীং য়ামদবা মরম্না মেঘলায়াগী এম এল এ অমগী ভোটকী ভেল্যু ১৭ নি। এম পিগীনা ৭০৮ নি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসনগী প্রসিদেন্ট মীরেপ মৈরা কুমারনা ঙসি নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা বিহারদা থুংলখিবগা লোয়ননা মীখলগী কেম্প্যেন চথখ্রে। মহাক্না পোক্নফম লমদম ওইরিবা ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টকী চন্দৱা খুঙ্গংদা চৎতুনা কোংগ্রেস অমদি রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লেজিসলেটরশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এন দি এগী মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা তেলঙ্গনা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতা মীখলগী কেম্প্যেন পাঙথোকপা হৌখ্রবনি।

ওপোজিসনগী মীরেপ মৈরা কুমারনা হাইদ্রবাদতা লাক্লসবা মতুং নোংমা লৈরগা কোবিন্দনা সীটি অসিদা লাক্তুনা মীখলদা মহাকপু শৌগৎপীনবা হায়জখি।

বেগমপেট এয়রপোর্টতা মহাকপু ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি), তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি (টি আর এস), তেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি) অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টি (ৱাই এস আর সী পি)গী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখি।

এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপপু তরাম্না ওকখিবশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল মিনিষ্টরশিং এম ভেনকায়া নাইদু, বন্দারু দত্তত্রেয়া, বি জে পি তেলঙ্গনা য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে লক্ষ্মন, তেলঙ্গনাগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মহমদ মেহমূদ অলি, মিনিষ্টর এন নরশিমহা রেদ্দি অমদি হরশি রাওনচিংবা য়াওখি।

কোবিন্দনা হরিথা প্লাজা হোটেলদা চৎতুনা বি জে পিগী এম পিশিং অমসুং ষ্টেট লেজিসলেটরশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।

# চাইনা অমদি বেঙ্গলগী মরক্তা হা ওইনবগীদমক সিক্কিমনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নত্তে : চীফ মিনিষ্টর পৱন চামলিং

কোলকাটা, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) :
চাইনা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুক্নবদা অৱাবা নংলবা সিক্কিমগী চীফ মিনিষ্টর পৱন চামলিংনা হায়খ্রে মদুদি, হৌখিবা চহী ৩০ রোম গোর্খালেন্দগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবদা সিক্কিমগী ওইনা লুপা ক্রোর ৬০,০০০ অরেম্বদা মাঙ তাকখ্রে।

সিক্কিমগী মরুওইবা হায়ৱে অনীমক নোর্থ বেঙ্গল হিলস ফাওবা মরম্না গোর্খালেন্দগী খোঙজংদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নবনি। চাইনা অমদি বেঙ্গলগী মরক্তা হা ওইনবগীদমক সিক্কিমনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নত্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৭৫ দা সিক্কিমনা ইন্দিয়াগী ২২ শুবা ষ্টেট ওইখিবনি। নোংপোক থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী মরক্তা মুক্নবগী ফীভম লাকখিবগা ইরোয়ননা চামলিংগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। খা থংবা মায়কৈদনা দার্জীলিং হিলসতা তোখায়বা ষ্টেট তাল্লদুনা মতম কক্তবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা সিক্কিমগী মীয়াম্না অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্নরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিক্কিমদা ইন্দিয়ানা অহেনবা লাম্নী কয়ামরুম থাজিনখ্রবা মতুংদা চাইনানা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা লাম্নী লৌথোক্নবা ফিরেপ লৌবা লৈখ্রবনি।



থা অমরোম চুপ্না ঙমখৈদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লাম্নীশিং মুক্নদুনা লাকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। য়েৎনরিবা দোকা লা এরিয়াদা বৈজিংনা লম্নী শেমজিল্লকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর থুগায়খ্রবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা অহেনবা লাম্নী কয়ামরুম থাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। জুন ১ দা চাইনাগী পি এল এনা দোকা লাদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর অনী শীদোক্নবা খঙহনখি। শাংলবা চহী কয়ামরুম মফম অদুবু ঙাক শেন্দুনা লাকখিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চাইনাগী ৱাফম অদু অয়াবা পীখিদে।

জুন ৬কী নুমিদাংদা চাইনাগী বুলদোজর অনী থৌজিল্লক্লগা বঙ্কর অনী থুগায়খিবনি। হায়রিবা মফম অদু চাইনাগীনি অমসুং ইন্দিয়া নৎত্রগা ভুটাননা মফম অদুদা বঙ্কর শাবগী রাইট লৈতে হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নাকল অনী মুক্নরকপদগী জুন ৮ দা মনাক নকপা বৃগেদ হেদ ক্বার্টরসতগী অহেনবা লাম্নী কয়ামরুম মফম অদুদা থাজিনখি। চাইনানসু পি এল এগী ১৪১ দিভিজনগী লাম্নী কয়ামরুম থাজিল্লক্তুনা নাকল অনী নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি।

কুমজা ১৯৬২গী মতুং তারকপদা লৈবাক অনীগী লাম্নীশিংগী মরক্তা মতৌ অসুম্না খ্বাইদগী মতম শাংনা মুক্নবা হন্দক্না অহানবনি। কুমজা ১৯৭৬ কী মেদা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখিবা সিক্কিমবু চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৬২ দা শোক্নখিবা লৈবাক অনীগী লান মতুং তারকপদা মফম অদুদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস থমদুনা ইন্টরনেসনল বোর্দরদগী কিলোমিটর ১৫ লাপ্না লৈবা মফমদা কেম্প শাদুনা লৈহনখি।

# হেলিকোপ্টর কায়ফমদগী অশিবা হকচাং অহুম ফংলে

ইটানাগর, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) :
নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংবা চৎখিবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর কায়খিবা মফমদগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অহুম ফংবা ঙল্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অহুম অদু আই এ এফকী ওফিসর অনী অমসুং আই আর বি জৱান অমগীনি হায়রি।

মমাঙদা পুলিসনা মরাইবক থীখ্রবা হেলিকোপ্টর অদুদা মীওই অহুম- ৱিং কম্মান্দর এম এস ধিলোন, ফ্লাইট লেফটনেন্ট পি কে সিংহ অমসুং ফ্লাইট এঞ্জিনীয়র সর্জেন্ট গুজার য়াওখি হায়না ফোঙদোকখি। অকোনবদা ইন্দিয়ন রিজার্ব বট্টালিয়ন (আই আর বি)গী জৱান অমসু হেলিকোপ্টর অদুদা তোংখি হায়বা খঙলকখি।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সন্দিপ গোয়লনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না আই আর বিগী জৱান অদু লৱার সুবানসিরি দিষ্ট্রিক্টকী হিজা খুঙ্গংদা লৈবা নাদা কুন্বিংনি হায়রি।



অরুনাচল প্রদেশতা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর অমগী খোঙ্গুল লীরদুনা মফম কয়াদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা লাকখিবনি।

ষ্টেট অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সন্দিপ গোয়লনা এজেন্সীদা হায়খি, আর্মি, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস অমসুং ষ্টেট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা মাঙখ্রবা হেলিকোপ্টর অদুগী খোঙ্গুল লীরদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি।

থিবা খঙখিদ্রবা প্লেন অদু বোরম অমসুং তোরুম এরিয়াগী মরক্তা লৈবা হোষ্টালমদা কায়রম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না পুলিসনা ছোর্স খরা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

আই এ এফগী এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর (এ এল ঐচ) অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৫০ দগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। শঙ্গালি অমসুং দামবুকতা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংনবগীদমক পাইশিনখিবা হেলিকোপ্টর অদু টেজপুরদা বেজ তৌবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী বেজদগী পাইখিবনি হায়না দিফেন্সকী স্পোক্সপার্সন লেফটনেন্ট কর্নেল সোম্বিট ঘোশনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা হায়খিবনি মদুদি, আই এ এফনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীওই ১৬৯ খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোন্দোরকপা ঙল্লে।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংবা লাকখিবা ক্রু মেম্বর অহুম তোংবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর অদু অরুনাচল প্রদেশকী পাপম পারে দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা সাগালি মনাক্তা মফম খঙদনা মাঙখিবনি।

দিফেন্সকী ওফিসলশিংনা হায়খি, এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর (এ এল ঐচ) অদু নুংথিল পুং ৩.৫০ দা সাগালিদগী পাইখৎখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা সাগালিদা পন্দুনা লৈরিবা মীওই কয়া হেলিকোপ্টর অদুনা হোন্দোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখি। মতাং অদুদা নোং কন্না চুরকপদগী ইখঙ খঙহৌদনা হেলিকোপ্টর অদু মফম খঙদনা মাঙখিবনি হায়রি।

# জুলাই ফাওবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্ট ৯২ হাৎপা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়ন আর্মিদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চথনবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চহী অসিগী জুলাই থা ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৯২ হাৎপা ঙমখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মমাঙ চহীগী ওইনা জান্যুৱারীদগী জুলাই ফাওবদা টেররিষ্ট ৭৯ ষ্টেট অসিদা হাৎপা ঙমখিবনি। চহীগী ওইনা য়েংনবদা কুমজা ২০১২ অমসুং কুমজা ২০১৩ দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদগীদি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়রবা মতমদনা টেররিষ্ট হাৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি।

অমরোমদা, নোর্থ কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি আর্মি জৱান অমা মেগজিন অহুমগা লোয়নবা এ কে ৪৭ রাইফল্লস অমা পুরগা মাঙখ্রে হায়রি।

জাহুর অহমদ থাকুর কৌবা সাউথ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীওই অদু ১৭৩ শুবা টেরিটোরিএল আর্মিদা মথৌ তৌরম্বনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা বুরহান ৱানি লৈখিদবগী অহানবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা সেপরেটিষ্টশিংনা চয়োল অমা চুপ্না খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা আর্মি জৱান অদু নোংমৈ পুরগা মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মাঙখ্রবা জৱান অদু কাশ্মীর তম্পাক্কী মিলিটেন্টশিংগা খুৎশম্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বামনু এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং টেররিষ্টশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নবা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অনী শিখিবগা লোয়ননা হৌজিকসু টেররিষ্ট অমা মফম অদুদা লোৎতুনা লৈ হায়না থাজনরি। য়ুম অমগী মনুংদা লোৎতুনা লৈরিবা টেররিষ্ট অদু হাৎনবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মফম অদুদা টেররিষ্ট কাঙবু অমা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা-হুন্বগী থবক চথখি। স্পেসল ওপরেসন্স গ্রুপ (এস ও জি) অমসুং ৪৪শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফল্লস (আর আর)গী অপূনবা কাঙবু অমনা থিবা-হুন্বগী থবক চথখিবনি।

অমরোমদা, অনন্তনাগ টাউনদা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক-পদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী পার্সনেল অমা অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, পুলিস পার্সনেল অদু অনন্তনাগ টাউনগী বস ষ্টেন্দ অমগী মনাক্তা লৈরিঙৈদা মিলিটেন্টশিংনা অনকপা মফমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। শোক্লবা পার্সনেল অদু শ্রীনগরদা লায়েংবা পুখ্রে হায়রি। হন্দক মরক মিলিটেন্টশিংনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মী চিনবা মফমশিংদা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মথক্তা এটেক চথবগী থৌদোক তোয়না থোকখি।

# লৌমীশিং মথন্তা শিজবগী ৱাথোক খুদক্তা লোইশিনবা ঙল্লোই : সুপ্রিম কোর্ট

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৌমীশিংনা মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক মথং-মথং থোরক্লিবসি খুদক্তা থিংবা ঙল্লোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ফসল বিমা যোজনাগুমবা লৌমীশিংগী য়াইফনবা স্কিমশিং পায়খৎলকপনা করি কান্নবা পুরকপগে হায়বদু মতম খরা য়েংবীনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হায়জরকপদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখি। মীগী শেন্দোন শিংবা ঙমদবদগী লৌমীশিংনা মশা মথন্তা শিজবগী ৱাথোক অসি খুদক্তা হেক্তা কোকহনবা ঙল্লোই হায়বা সেন্টরগী ৱাফমদসু এপেক্স কোর্টনা য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

সিটিজন্স রিছোর্স এন্দ এক্সন ইনিসিএটিব (সী আর এ এন টি আই) কৌবা এন জি ও অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল)গী মতাংদা চীফ জষ্টিশ জে এস খেহর অমসুং জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চনা হায়খি, থা ৬কী মতুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপ্লে। সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হৌজিক-হৌজিক এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী য়াইফননবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লিবা অসিগী মহয় য়েংবা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকপদা বেঞ্চ অদুনা অয়াবা পীখি।

এটোর্নি জেনরেলনা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমী ক্রোর ১২গী মনুংদা ক্রোর ৫.৩৪ দি ফসল বিমা যোজনা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। লৌ উবা য়াবা অপূনবা লৌফমগী চাদা ৩০ রোম ক্রোপ ইন্স্যুরেন্স স্কিমনা কোনশিন-খিবগা লোয়ননা অথুবা মতমগী মনুংদা লৌফম পুম্নমক ইন্স্যুরেন্সনা কোনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মধ্য প্রদেশকী মন্দসোর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা দোরাৱাদি খুঙ্গংদা মীগী শেন্দোন শিংবা ঙমদবদগী লৌমী অমসু হূথক্তুনা মশা মথন্তা শিজবা লৈখ্রবনি।

লাল সিংহ কৌবা মথন্তা শিজখ্রবা লৌমী অদুনা সুইসাইদ নোট অমা থন্নমখি। সুইসাইদ নোট অদুদা মহাক্না শেন্দোন শীংবা ঙম্বগী ফীভম লৈতবদগী মথন্তা শিজনবা ফিরেপ লৌবনি হায়না ময়েক শেংনা ইরমখি।

মমাঙদসু শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবা দিনা মহারিয়া কৌবা লৌমী অমা মশাগী ময়ূমমক্তদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা মধ্য প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৌমী কয়ামরুম মশা মথন্তা শিজখ্রবনি।

লৌমীশিংনা লোন কোকপীয়ু অমসুং এম এস পি হন্থহনবীয়ু হায়না তকশিল্লদুনা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা মন্দসোর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা মথং-মথং লৌমী কয়া মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থোরকখিবনি।

সেহোরদসু মশাগী চহী ৫৫ শুরবা লৌমী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি। বিদিশাদনা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা লৌমী অমা মথন্তা শিজখিবনি।

POST VACANCY
Under the Society Act, Regd. No. 1062/SR/1990

| Sl. No. | Post | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Relationship Officer | 06 | XII | 8000 |
| 2. | Executive Officer | 08 | X-XII | 6000 |
| 3. | Agent | 04 | NA | 10,000 (can earn) |

*Date of Interview : 11/07/2017*
*Last Date of Form Submission : 10/07/2017*

LOTTERY CUM TENDER (Stop Payment)


2nd Phase গী Draw অনী (২) চৎখ্রে।
Lottery Amount : 3 lakhs
(Limited seat খরগী Form থাজরি )

*Visit at*
DYNAMIC TRANSFORMATION SOCIETY, MANIPUR
Keishampat Junction, Big Media Building,
Near Manipur Rural Bank.

*For further information,*
*Please Contact : 8794358759*

HL-B/3992/7,8,9

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN
POTLOI HOUSE
(A CENTRE FOR COSTUME CUM MAKE-UP (BEAUTICIAN) TRAINING INSTITUTE)
Regd. No. MN014/04/0100025/Micro Pt. - II
X-Cine Building, 2nd Floor, Opposite Axis Bank, Paona Bazar, Imphal - 795001
অনৌবা Batch কী Form থাবা হৌজরে। Seat মশিং অকক্নবনি।
হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।



ফংলিবা খুদোংচাবশিং —
1. Podoi অমদি পোৎলোইগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শেম্বা - শাবা, পোৎলোই শেংপা তম্বনচিংবা।
2. Film, Stage, লুহোংবনচিংবা মখল খুদীংমক্কী মেক- অপ তম্বা (লৈনবা), Beauty Parlour গী মরমদা চাওরাকপা শত্তম অমা খঙনবা লৈনবা (তম্বা) লোয়ননা মতমগা চুনবা মেক- অপ লোয়নবা লুহোংবগী পোৎলোই ওর্দরসু লৌজরি।

Course :
1. Make-up (3months)
2. Potloi Making (4 months)

ঙসিমক Contact তৌবিরকউ
9856388175

Last date of form submission 14th July, 2017
Class commencing on 21st July, 2017

Oinam Ranjit (Ranjita)
Proprietor / Director
Potloi House

HL-P/0678/1,3,5,7

MEETEI CONSTRUCTION PRIVATE LIMITED
C/O SHEMROCK KIDS GARDEN
Thawanthaba Leikai, Porompat Imphal East-795005

Recruitment for the post of

| SL.No | Name of Post | No. of Post | Qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Sales Supervisor | 2 | * Male/ Female<br>* Prior experience in sales in Retail product. |
| 2 | Office Staff | 1 | * Female<br>* Prior experience in relevant field will be prefered. |
| 3 | Store Keeper | 1 | * Male<br>* Prior experience in relevant field will be prefered. |
| 4 | Sales Executive | 4 | * Male/ Female<br>* Prior experience in relevant field will be prefered. |
| 5 | Security Guard | 2 | * Male<br>* Must be literate, Prior experience in relevant field will be prefered. |

NB: All Post except Security Guard are preferably graduate having good communication skill, pleasing personality, having computer knowledge

* Attractive salary package commensurate with experience and qualification will be offered to selected candidate
Send your CV along with recent PP mentioning the Position applied for by 15th July 2017 at HR@meeteicpl.com

OFFICE ADDRESS: Thawanthaba Leikai Porompat C/O SHEMROCK KIDS GARDEN
CONTACT # 7982-958-825 9089-490-348

HL-P/2007/7&8

GOVERNMENT OF MANIPUR
IRRIGATION & FLOOD CONTROL DEPARTMENT
TENDER NOTICE NO. 1
Imphal, the 3rd July, 2017

1. E-Tender in two Bids system (Technical & Financial Bids) are invited by the Superintending Engineer, Thoubal Circle-II, Irrigation & Flood Control Deptt., Manipur on behalf of the Governor of Manipur from the interesting firms/bidders for the execution of the work. TMP, L-Earth Work (SH: Construction of steel foot bridge with RCC pier and abutments for carrying 1000 mm dia DI pipe across Spillway of Thoubal Multipurpose Project).
2. E-Tender is to be submitted online through e-procurement/E-Tender Portal https://manipurtenders.gov.in
**The dates of submission of bids are as follows :**
Publishing/Downloading Tender Documents : 1100 hrs of 15/07/2017
Last date for seeking clarifications : 1600 hrs of 22/07/2017
Last date for submission of tender : 1500 hrs of 04/08/2017
Date for opening Technical Bid : 1100 hrs of 07/08/2017
3. Modification/Amendment/Corrigendum, if any, shall not be advertised in the newspapers, but shall be uploaded in the website only.

*Sd/-* K. Kirti Singh
Superintending Engineer,
Thoubal Circle No.-II, IFC Deptt. Manipur.

HL-B/3991/6&7
No. 2/33/2015-DIPR(V-III)